# সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকী কার বোম এটেক্তা মীওই ৪০ হেন্না শিখ্রে



দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ২৪ :

টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা সিরিয়াগী ভিলেজ অমদা ইস্লামিক ষ্টেটনা ইরাই নুমিৎতা কার বোম এটেক অমা চথবদগী মীওই ৪০ হেন্না শিখ্রে হায়না লমদম অদুগী ছোর্সশিং অমসুং ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে। জিহাদিষ্ট গ্রুপ অদু এরিয়া অদুদা লৈবা মখোয়গী অরোইবা ষ্ট্রোংহোল্ডদগী তকথোকখিবা মতুং নোংমখক লৈরগা কার বোম এটেক অদু চথরকখিবনি।

সৌসিয়ন ভিলেজদা ফ্রী সিরিয়ন আর্মি (এফ এস এ) গী বেন্নর মখাদা লাহ্নেংনরিবা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা সিক্যুরিটি চেক পোইন্ট অমদা কার বোম অদু পোকখায়খি অমসুং মীচম ৩৫ য়াওনা মীওই ৪১ শিখি হায়না লমদম অদুগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি। বৃটেনদা বেজ ওইবা ৱার মোনিটর সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা এটেক অদুদা মীওই ৪২ শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

চয়োল কয়া ষ্ট্রীটফাইটিং চথরল্লকবা মতুংদা টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা শগোলশেল নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটপু অল-বাব অমসুং নক্লনা লৈবা টাউন অনীদগী তকথোকখি। মদুনা নোর্থ ৱেষ্ট সিরিয়াদা হার্দলাইন মিলিটেন্টশিং অদুনা অরোইবা ওইনা পায়শিল্লম্বা মফমশিং অদু রেবেলশিংগী মখুৎতা তাহনখি।

সৌসিয়ন ভিলেজ অসি অল-বাবকী অৱাং নোংচুপ্তা কিলোমিটর নিপানলোম লাপ্না লৈবা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মফম অমনি। অল-বাবকী মনাক্তা লৈবা সুল্টান মুরাদ বৃগেদতা য়াওবা রেবেল ফাইটর অমনা হায়খি, 'মদু চেকপোইন্ট অমদা পাঙথোকখিবনি তৌইগুম্বসুং মফমদুদা ইমুং কয়াগী মীওইশিং অল-বাবতা অমুক হন্না চঙশিন্নবগীদমক্তা পুন্দুনা লৈখি। মসিনা মরম ওইদুনা এটেক অদুদা মীচম কয়ামরুম শিরিবনি।'


সোসিয়ল মিদিয়া পোষ্টিং অমদা ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। গ্রুপ অসিনা শগোলশেল নুমিৎতা মখোয়গী মখুৎতগী অল-বাব নাম্থোকখ্রে হায়বসি একনোলেজ তৌখি।

শগোলশেল নুমিৎতা অল-বাবতা টর্কিনা শৌগৎপা রেবেল কয়ামরুম মাইন অমা পোকখায়বদা শিখি। ইস্লামিক ষ্টেটনা হন্দোকখ্রবা মতুংদা টাউন অদু ক্লিয়র তৌনবা হোৎনবদা থৌদোক্তু থোকখিবনি হায়না ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি।

'বাব মনুংদা হৌজিকসু সেল কয়ামরুম লৈরি। মসি য়াম্না খুদোংথীনিঙাইনি। ঐখোয়গী সর্চ অমসুং ক্লিয়র তৌবগী ওপরেসন মখা তানা চথরি' হায়না রেবেল ফাইটর অদুনা হায়খি।

সিরিয়াগী মরু ওইবা লাল অদু রসিয়া, ইরান অমসুং সিয়াইট মিলিস্যাশিংনা শৌগৎপা প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদনা মায়কৈ অমদা লৈরবা টর্কি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং গল্ফকী মোনার্কিশিংনা শৌগৎপা গ্রুপশিং য়াওবা রেবেলশিংগা শোক্লরিবনি।

# অমেরিকাদা ইন্দিয়ন এঞ্জিনিয়র অমা কাপ্পুনা হাৎখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২৪ :

অমেরিকান নুপা অমনা নোংমৈনা কাপ্পদগী ইন্দিয়ন এঞ্জিনিয়র অমা শিরে অমসুং অতৈ মীওই অনীনা শোক্লে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি।

অমেরিকান অদুনা 'ঐগী লৈবাক্তগী নখোয় চৎখ্রো' হায়না লাউদুনা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক্তু মীবু তুকচ্চবা মিৎয়েংনা য়েংদুনা চথবা ক্রাইম ওইবা য়াই হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

কেনজস সিটিগী ওলাথেদা লৈবা গার্মিন হেদক্কার্টরসতা থবক তৌবা শ্রীনিবাস কুচিভোটলা কৌবা মশাগী চহী ৩২ শুরবা ইন্দিয়াগী হায়দ্রবাদতগী ইঞ্জিনিয়র অদু য়ুমশকৈশাগী অহিংদা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। এটেক অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়ন অমসুং মহাক্কী কোলিগ অলোক মাদাসানিনা ফীভম থীনা শোকখি। খ্বাইদগী নৌবা পাউগী মতুং ইন্না মাদাসিনিদি হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

এটেক অদুদা খামজিন্নবা হোৎনখিবা ইয়ান গ্রিলোট কৌবা মীওই অমসু নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি।

মশাগী চহী ৫১ শুরবা অদাম পুরিংটন কৌবা একুযজ অদু থৌদোক অদুগী মতুং পুং ৫ কান্নরগা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা ফারে হায়রি।

পুরিংটননা ইন্দিয়নশিং অদু মিদ্দল ইষ্টতগী লাকপা মীওইশিং ওইনা উবদগী এটেক অদু চথখিবনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা মখা তারি।

# ফেটো মুখৎনবা হোৎনবগীদমক্তা টর্কিনা পাকিষ্টানবু থাগৎখ্রে

অঙ্কারা, ফেব্রুৱারী ২৪ : পাকিষ্টান্না লৈবাক অসিদগী ফেটুল্লাহ টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন (ফেটো) মুখৎনবা হোৎনবগীদমক্তা প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি য়িলদিরিমনা শগোলশেল নুমিৎতা মহাক্কী পাকিষ্টানি লেংমান্নববু থাগৎখ্রে হায়না টর্কিগী অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সি (এ এ) না হায়রি।



শগোলশেল নুমিৎতা কেপিটেল অঙ্কারাদা লৈবা কেন কিয়া পেলেসতা মঙাশুবা হায় লেভেল ষ্ট্রেটেজিক কোওপরেসন কাউন্সিলগী মীফমগী মতুংদা য়িলদিরিমনা থাগৎ-ৱাহৈশিংদু ফোঙদোকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা টর্কিদা পাঙথোকখিবা মায় পাকখিদবা কূ অদু ফেটোগী খুৎনি হায়না টর্কিশ গভর্ণমেন্টনা মরাল শীরিবনি।

পাকিষ্টানি প্রাইম মিনিষ্টর মুহম্মদ নৱাজ শরিফ অমসুং য়িলদিরিমনা মীফম অদুগী চ্যের লৌমিন্নখি।

টর্কিশ প্রেমিয়রনা টর্কি অমসুং পাকিষ্টান্না দিপ্লোমেটিক মরী থম্নরকপগী ৭০শুবা কুমওনবু হাইলাইট তৌরদুনা হায়খি মদুদি লৈবাক অনীনা মতম চূপ্পদা অফ-ফত্তগী মতাংশিংদা অমগা অমগা সপোর্ট তৌনদুনা লাকখি।

মায় পাকখিদ্রবা কূ অদুগী মতুং তারকপদা পাকিষ্টান্না উৎখিবা টর্কিবু শৌগৎপগী মওং অদুবু য়িলদিরিমনা থাগৎখি। 'পাকিষ্টানগী মীয়াম, গভর্ণমেন্ট অমসুং পার্লিয়ামেন্ট পুম্নমক্না টর্কি অমসুং টর্কিশ মীয়ামগীদমক্তা লেপখি, পুৱারীনা খঙলবা পাকিষ্টানগী সোলিদরিটি স্পিরিট উৎখি' হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না হায়খি, টেররিষ্ট গ্রুপ ফেটো অসি গ্রুপ অসিনা ফঙ্কসন তৌরিবা লৈবাক ১৭০ রোমদা অচৌবা থ্রেট অমা ওইদুনা লৈরি।

'মচিন-মনাও ওইবা লৈবাক পাকিষ্টান্না টেরর গ্রুপ অসিবু মুখৎখিনবা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনবগী মওং ঐখোয়না খঙই। গ্রুপ অসিনা নেসনল সিক্যুরিটিদা চাউনা অকিবা পোকহল্লি অমসুং মসি পাকিষ্টানগী পব্লিক ওর্দরদসু থ্রেট অমনি' হায়না মহাক্না হায়খি।

টর্কিগী দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা শেমখিবা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা হৌখিবা চহীদা কূ এটেম্পট অমা পাঙথোকখিবদু ফেটোননি হায়না পাক শন্না থাজনরি। কূ এটেম্পট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪৮ শিখি অমসুং অতৈ ২২০০ রোম্না শোকখি।

য়িলদিরিমনা হন্দক্তা পাকিষ্টানদা টেররিষ্টশিংনা চথখিবা এটেকশিংবুসু কন্দেম তৌখি। মহাক্না এটেকশিং অদু হৌজিক মতমগী ফৎত্রবা লৌনগনবা লায়না মখল অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

শরিফকী মায়কৈদগী টর্কিবু লৈবাক অসিগী হোস্পিটালিটিগীদমক্তা থাগৎখি। মহাক্না টর্কি অসি মঙোন্দদি 'অনীশুবা য়ুমনি' হায়খি। 'ঐখোয়গী লাইনিং লাইশোল কলচর অমসুং পুৱারীগী কম্মন ওইবা লিপুনশিংনা মরী অসিবু মখা তানা চেৎশিনহল্লি' হায়না শরিফনা হায়খি।

মায় পাকখিদ্রবা কূ অদুগী মতুংদা পাকিষ্টান্না টর্কিবু মখা তানা শৌগৎতুনা লৈ হায়না শরিফনা অমুকহন্না চেকশিন্না হায়খি। টর্কিগী য়েক্নবশিংদি পাকিষ্টানগী য়েক্নবশিংনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা শরিফনা হায়খি, মহাক্কী লৈবাক্না ফেটোগী মায়োক্তা মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎখিগনি। পাকিষ্টানসু টর্কিনা পি কে কে অমসুং দৈইশকুম্বা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগা লাহ্নেংনরিবদু শৌগৎলি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্কী নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতুগী শরুক অমা ওইনা শরিফনা রিজনেল অমসুং বাইলেটরেল মরীশিংগী মতাংদা প্রসিদেন্ট য়েসেপ টায়িপ ইর্দোগনগসু মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

# কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা কিম জোং-নাম হাৎপদা ভি এক্স শিজিন্নখি : এক্সপার্টশিং

কুলা লম্পুর, ফেব্রুৱারী ২৪ : কিম জোং-নামবু হাৎপদা শিজিন্নখিবা কেমিকেল পোৎশক অদু কেমিকেল ৱারফ্যেরখক্তদা শিজিন্নবা হুগী ময়াই য়াম্না কনবা ভি এক্স নর্ভ এজেন্ট অমনি। মসি মিনিট খরগী মনুংদা মী শিহনবা ঙম্বা কেমিকেল খুৎলায় অমনি হায়না মালেসিয়াগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট পল্লদুনা মালেসিয়ন পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



ইরাই নুমিৎতা মালেসিয়ন পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, কিমগী মমায় অমসুং মমিৎশিংদা টেষ্ট কয়া চথবদা হুগী পোৎশক অদু য়াওরম্বা থেংনখি।

নর্ভ এজেন্টশিং অসি কেমিকেল ৱারফ্যেরদা খ্বাইদগী হুগী ময়াই কনবা অমসুং মথৌ থুনা পাঙথোকপা পোৎশক অমা ওইনা খঙনৈ অমসুং মখোয়গী মনুংদা ভি এক্সনা খ্বাইদগী হেন্না শাথি হায়না য়ু এসকী সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি) না ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী দিক্টেটর কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কিম জোং-নাম থা অসিগী ১৩ দা কুলা লম্পুরদগী মাকাওদা পাইগদবা ফ্লাইট অমদা তোংনবা কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা শেম শারিঙৈদা হাৎখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ন মরিগী ইন্সত্রক্সনদা নুপী অনীনা কিমগী মমায়দা মহী মখল অমনা নানখি হায়না মালেসিয়ন পুলিসনা ক্লেম তৌরি। মহাক মিনিট খরগী মনুংদা মকোক ঙাওরকখি অমসুং সিজর লাকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎপদা লম্বীদা শিখি।

চৈরকসিদা নোর্থ কোরিয়ানা মীশিদুগা মরী লৈননা মখোয়বু চিংনদুনা ফোঙদোক্লরিবা ৱাফমশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা নুপীশিংদুনা মী শিহনবা য়াবা ময়াই কনবা হু মখুৎনা পায়রম্বা থোক্লবদি মখোয়সু শিরমগনি হায়রদুনা পিয়োংয়াংনা কিমগী মীশিদা নোর্থ কোরিয়া চেন্নবগী ৱাফম পুম্নমক য়ানিংদ্রি।

সি এন এনগী মিলিটরি এনালিষ্ট রিক ফ্রঙ্কোনগী মতুং ইন্না, ভি এক্সনা হকচাংগী নর্ভস সিষ্টেমগী ফঙ্কসনদা মতেং পাংবা এঞ্জাইম অমগী মথৌদা অপনবা পীদুনা পেরালাইসিস অমসুং শ্বর ফূনবা থোকহল্লি।

ভি এক্স অসি উনশানা চূপশিনবদগীদি শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওবনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওই হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ সিদনিদা কেমিকেল ৱেপন্সকা মরী লৈনবা হেল্থ এক্সপার্ট অমা ওইরিবা নিয়ল ৱিটনা হায়রি।

মীশিংনা মখোয় ভি এক্সতা এক্সপোজ তৌরে হায়বসি খঙনদবসু য়াই মরমদি মসি মহাও লৈতবা অমসুং মনম চেন্দবা কেমিকেল অমনি। তশেংনমক হুগী পোৎশক অসিবু য়াম্না য়ামদনা পুশিল্লকখিবা মতমদা এয়রপোর্টকী সিক্যুরিটি নৎত্রগা সেন্সরশিংনা দিটেক্ট তৌবা ঙমখিদবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।


কেমিকেল অসি পুথোকপদা ৱাবা মরম্না লৈবাক খরদমক মসি লৈ হায়না খঙনৈ। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়ানা ভি এক্স ষ্টোকপাইল খরা পায়রগা লৈরি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগী কেমিকেল খুৎলায়গী প্রোগ্রামদা সরিন অমসুং ভি এক্সতা মিৎয়েং থম্মী হায়বসি সাউথ কোরিয়াগী এনালিষ্টশিংনা খঙবা ঙম্লে হায়রি। অমরোমদা পিয়োংয়াংনদি সিওলগী ৱাফমসি য়াখিদ্রে।

# ইরাকি ফোর্সশিংনা মোসুল এয়রপোর্টকী অয়াম্বা শরুক খুদুম চনখ্রে

বাঘদাদ, ফেব্রুৱারী ২৪ :

মোসুলগী খা-নোংচুপ চিদাইদা লৈবা মোসুল এয়রপোর্টকী অয়াম্বা শরুক অমসুং মদুগা তাইনবা মিলিটরি বেজ অপুম্বা ইরাই নুমিৎতা ইরাকি ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরে হায়না ইরাকি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মসি মোসুলগী নোংচুপ থংবা সিটিদগী ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিং তকথোক্লবা লাঞ্জংদা মরু ওইবা খুমাঙ চাউশিনবা অমনি হায়রি।



জোইন্ট মিলিটরি ওপরেসন কম্মান্দগী স্পোক্সমেন বৃগেদিয়র জেনরেল য়াহয়া বাসুলনা হায়খি, কন্না খুৎ থোক্লরবা মতুংগী মথংগী নুমিৎতা ইরাকি ফোর্সশিংনা এয়রপোর্টকী অয়াম্বা শরুক কন্ট্রোল তৌরে।

ফেদরেল পুলিস ওফিসর অমনা হায়খি, এয়রপোর্টতুগী অৱাংথংবা শরুক্কী অপীকপা মফম অমদা আই এস মিলিটেন্ট খরগা মখা তানা লাল শোক্লরি। চৈরকসিদা ইরাকি স্পেসল ফোর্সশিংগী ওফিসল অমনা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্কী ক্রুপশিংনা এয়রপোর্টতুগা তাইনবা মিলিটরি বেজ অপুম্বা নৌনা অমুক লৌশিল্লে।


ফেদরেল পুলিস অমসুং স্পেসল ফোর্সশিং অনীমক্কী ওফিসলশিংদুনা অনৌবা রেগ্যুলেসনগী মতুং ইন্না মশক মমিং ফোঙদোক্তবগী ফীভমদা ৱাফমদু ফোঙদোকখি।

মিলিটরি বেজ অমসুং এয়রপোর্ট অদুদা মায়কৈ কয়াদগী চথখিবা এটেক অদু শগোলশেল নুমিৎকী নুমিৎ থোক্লকপা মতমদগী হৌখি। এটেক অদু গ্রাউন্দদা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী ক্রুপশিংনা সপোর্ট পীখি লোয়ননা নোংথক্তগী এয়রষ্ট্রাইকশিংসু চথখি। এটেক অদু নুমিৎ তরুক্নিগী মমাঙদা হৌখিবা মোসুলগী নোংচুপ থংবা তঙ্খায় অমা লৌশিন্নবা শোক্লরকখিবা লালগী শরুক অমনি।

ফেদরেল পুলিস অমসুং রেপিদ রেস্পোন্স য়ুনিটশিংগী লাঞ্জং অদুদা ইরাক্কী স্পেসল ফোর্সশিংসু য়াওশিনখি। লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা য়াবা সিয়াইট মিলিস্যাশিংগী অমব্রেলা গ্রুপ অমা ওইরিবা পোপ্যুলর মোবিলাইজেসন ফোর্সশিংনা মোসুলগী নোংচুপতা লৈবা লম্বীশিং সিক্যুর ওইহনদুনা সিটি অদুবু আই এসনা পায়শিল্লিবা সিরিয়াগী লমগী শরুক্কা লম্বী তৎনহনখি।

হৌখিবা জান্যুৱারীদা ইরাকি ওথোরিটিশিংনা মোসুলগী নোংপোক থংবা তঙ্খায় মপুং ফানা লিবরেট তৌরে হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। মোসুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তগা মীচম ৭৫০,০০০ লেঙথোক-লেঙশিন য়াদনা লৈরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পারি।

# মীওই ১০ শিখিবা পাকিষ্টানগী ব্লাষ্ট গ্যাস সিলিন্দর পোকখায়বা ওইরম্লে




ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২৪ :

পাকিষ্টানগী ইষ্টর্ন সিটি লাহোরদা লৈবা সোপ্পিং সেন্টর অমদা থোকখিবা মীওই ১০ শিহনখিবা ব্লাষ্ট অমা গ্যাস লিক ওইবদগী থোকখিবা এক্সিদেন্ট অমা ওইরম্বা য়াবগী ফীভম লৈ হায়না পাকিষ্টানি ওফিসল অমনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। হান্নদি ব্লাষ্ট অদু বোম অমনা থোকহনখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

শগোলশেল নুমিৎতা লু নাল্লবা কৈথেল অমদা থোকখিবা ব্লাষ্ট অদুগী মতুংদা সিটি অদুগী মীয়াম মীপাইনকি। ব্লাষ্ট অদুদা মীওই ৩২ সু শোকখি। মদুগী মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা অতোপ্পা কম্মর্সিয়ল দিষ্ট্রিক্টতা টাইয়র অমা পোকখায়খিবসু পুলিসনা মফমদু মী চঙহন্দনা থম্বগা লোয়ননা অতোপ্পা বোম ব্লাষ্ট অমা থোকপগী তোকঙা শন্দোক্লবা হৌখি।

'ঙরাংগী ব্লাষ্ট অদু টেররিজমগী থবক অমা নত্তে' হায়না পঞ্জাব প্রোভিন্সকী লো মিনিষ্টর রানা সানাউলাহনা হায়খি।

'মদু এক্সিদেন্ট অমনি। মদুদা পোকখায়গনবা মচাক মথুমশিং য়াওবগী ইভিদেন্স লৈতে। মফমদুদা গ্যাস সিলিন্দরশিং লৈখি অমসুং পোকখায়রিবদু গ্যাস লিক অমনা থোকহনখিবা ওইবা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংই।'

'অকায়-অতোই মরক্তগা ইভিদেন্স ফুমজিনখিবদগী চমন্নবা থোকখিবনি, তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মদু বোম পোকখায়বা নত্তে হায়বসি শেংলে গ্যাস সিলিন্দর পোকখায়বগী থৌদোক্নি' হায়না পঞ্জাব গভর্ণমেন্টগী স্পোক্সমেন মালিক মোহম্মদ খাননা হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

**Indian Space Research Organization – ISRO Recruitment – 27 Scientist/Engineer SC Vacancy – Last Date 14 March 2017**

**ISRO Recruitment 2017**

ISRO Centralised Recruitment Board (ICEB) invites application for the post of 27 Scientist/Engineer SC. Apply Online before 14 March 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : ISRO HQ: ICRB(CEPO): 01:2017

**ISRO Job Details :**

Post Name : Scientist/Engineer SC
No of Vacancy : 27 Posts
Discipline wise vacancies :

Civil : 09 posts
Electrical : 09 posts
Refrigeration & Air Conditioning : 07 posts
Architecture : 02 Posts

**Eligibility Criteria for ISRO Recruitment :**
Educational Qualification : BE/ B.Tech /BSc (Engg)/ Grad IETE/ AMIE in Civil/Electrical/Mechanical OR Electrical and Electronics Engineering in First Class with an aggregate minimum of 65% marks or CGPA 6.84 or Bachelor degree in Architecture in First Class with an aggregate minimum of 65% or CGPA 6.84/10 and registration with Council of Architecture.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 35 years as on 07.03.2017.
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 5 years & for OBC Candidates 03 years

**Job Location : Karnataka**

**Selection Process :** Selection will be based on Written test & Interview.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through online' using Internet Banking/Debit Card or 'Offline' by visiting nearest SBI Branch .

**How to Apply ISRO Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.isro.gov.in from 22.02.2017 to 14.03.2017. thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 22.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 14.03.2017
Last Date for Submission of Application Fee : 15.03.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.isro.gov.in/sites/default/files/bilingual_advt_cepo_2017_for_web.pdf

**Apply Online :** http://www.isac.gov.in/ced-2017/advt.jsp

**ISRO Recruitment – 49 Scientist/Engineer SC Vacancy – Last Date 04 March 2017**

ISRO Satellite Centre (ISAC) invites application for the post of 49 Scientist/Engineer SC. Apply Online before 04 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : ISAC :01: 2017

**ISRO Job Details :**

Post Name : Scientist/Engineer SC
No of Vacancy : 49 Posts
Pay Scale : Rs.56100/-

**Eligibility Criteria for ISRO Recruitment :**
Educational Qualification : M.E / M.Tech / M.Sc (Engg.) or equivalent post graduate degree in relevant specialization in 1st class with an aggregate minimum of 60% or CGPA / CPI grading of 6.5 on a 10 scale or equivalent or B.E/ B.Tech or equivalent degree in relevant discipline or M.Sc or equivalent post graduate degree in relevant discipline with an aggregate minimum of 65% or CGPA / CPI grading of 6.84 on a 10 scale.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 35 years as on 04.03.2017.

**Job Location : Karnataka**

**Selection Process :** Selection will be based on Written test & Interview.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.250/- through Challan. SC/ST/PWD/Women Candidates are exempted from the application fee.

**How to Apply ISRO Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.isro.gov.in from 18.02.2017 to 04.03.2017. thereafter website link will be disabled. & Send the printout along with relevant document & superscribing on the envelope ["RECRUITMENT TO THE POST OF— ———-Post Name_____________ Post No.___________]" on the envelope send to the Sr. Administrative Officer (RMT), ISRO Satellite Centre, Old Airport Road, Vimanapura Post, Bangalore -560 017 on or before 11.03.2017.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 18.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 04.03.2017
Last Date for Submission of Printout of Online Application : 11.03.2017

*Important Links :*
Detail Advertisement Link : http://isro.gov.in/sites/default/files/adv_01_english_final_2.pdf

**Apply Online :** http://isro.gov.in/careers